# মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু মশক মুন্না খঙবীয়ু, অথুবা মতমদা ষ্টেটকী স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বীয়ু : ও বেমবেম



(হান্নগী মখা...)

নীংশিংবা য়াবদি, মণিপুরী মচাশিংগী মনুংদগী ইন্দিয়াগী ওইনা অফবা শান্নরোয়শিংদা পীবা অখন্নবা মনা অর্জুন এৱার্দ ফংবা ঙম্বসি ঙসিদি পুন্না ১৯ শুখ্রে। অমরোমদা, অর্জুন এৱার্দ হায়বসি ইরায় লায়না হেক্তংমক ফংবা য়াবা মনা অমদি নত্তে। লমদমসিদগীসু মোর্দন স্পোর্টসকী ঈহৌ হেক লাকখিবদগী ষ্টেটসিগী শান্নরোয় কয়া মশা মশাগা চানগদবা স্পোর্টস ইভেন্ট কয়াদা থৱায় য়াওনা খোঙ থাংজিন্নরকখি। মণিপুরী মচাশিংগা হেন্না চানবা মশান্না খরা পনবা তারবদি, হোকি, ৱেটলিফটিং, বোক্সিং, জুদো, আর্চরি, ৱুশু, ফুটবোল অসিনচিংবনি। অদুগা ষ্টেটসিগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী অখন্নবা শান্নরোয়শিংখক্তদা পীবা অর্জুন এৱার্দকী মনাসু হায়রিবা স্পোর্টস ইভেন্ট তরেৎখক অসিদা লৌবা ঙম্লি।

মণিপুরদগী অর্জুন এৱার্দ ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদি এন কুঞ্জরানি (ৱেটলিফটিং), ঙাঙোম দিঙ্কু (বোক্সিং), থিংবাইজম সনামচা (ৱেটলিফটিং), ক্ষেত্রিময়ুম তিঙ্গোংলৈমা (হোকি), এম সী মেরি কোম (বোক্সিং), ৱাইখোম সুরজলতা (হোকি), অঙোম চনু অনিতা (জুদো), খুমুজম তোম্বী (জুদো), লাইশ্রম সরিতা (বোক্সিং), ৱাংখেম সন্ধ্যারানি (ৱুশু), ময়াংলম্বম সুরঞ্জয় (বোক্সিং), ঙাংবম সোনিয়া চনু (ৱেটলিফটিং), লাইশ্রম বোম্বেলা (আর্চরি), ময়াংলম্বম বিমোলজিৎ (ৱুশু), ৱাই বেনুবালা (ৱেটলিফটিং), য়ুম্নাম সনাথোই (ৱুশু), ওইনাম বেমবেম (ফুটবোল), লাইশ্রম দেবেন্দ্রো (বোক্সিং) অমসুং কাঙুজম চীংলেনস্নানি। মখোয় ১৯ অসিগী মনুংদা ১০দি মপান্দা থবক ইনখাং তৌদুনা লৈরি। অদুগা মাপন অমনা ষ্টেটকী সার্ভিস তৌরি। মপান্দা লৈখিবা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি মশা মশাগা চানবা পোক্তা লৈখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতা খোঙফম চানা হিংবা ঙম্লি। অদুম ওইনমক মণিপুরদা লৈরিবা প্লেয়রশিংগী মরক্তগীদি পেন্দবা ৱাফম কয়া থম্নরক্লি।

মতাং অসিদা অর্জুন এৱার্দি ও বেমবেমনা মখা তানা ৱাফম খরসু অসুম্না ফোঙদোরক্লি, মীগী ষ্টেটকা ঐখোয়গা খেন্নবসি উজরুবদা তশেংনা নুংঙাইতবা পোকই। পঞ্জাবকী, উরিষাগী, হরিয়ানাগী, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী প্লেয়রশিংগা ঐখোয়গী ষ্টেটকদি অদুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। শুপ্নতংগী ইন্দিয়াগী কেপ্তেন অমুক্তং ওইবদা ষ্টেটনা মতিক চাবা ইকায়খুম্নবা উৎপীবগা লোয়ননা পীবা য়াবা লোইনমক খুদক্তা লাউথোক্লগা লোইনা পী। শুপ্নগী অতেনবা মতম খরদং শান্নরম্বা প্লেয়র ফাওবা অৱাংবা ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বীয়ু হায়জরিবসি। শান্নরোয় ওইনা হৌজরকপা ঐখোয়না ইশাগী প্রমোসনগীদমক লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগী মনাক্তা চৎতুনা ৱা হায়জবসি থওইনা তাবীরক্তুবদি হায়নীংলক্তে। ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসি অমা লৈরগদি মদুদা ময়েক শেংনা লোইনা য়াওহল্লগদি ঐখোয়না কনাদসু হায়জররোই। ওলিম্পিয়ন ওইবদনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পীবিবা য়াবশিং এসিয়ন গেমস, কম্মনৱেলথ গেমস, ৱর্ল্ড কপ অসিগুম্বদা মশক থোক্লা শান্নরুবদা করি করি তৌবিগদগে হায়বনচিংবদু লৈরগদি করিসু হায়নীংঙাই লৈতে হায়না খঞ্জে। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনা অফবা শান্নরোয় খঙ্গৎতুনা পীবা অর্জুন এৱার্দ ফংলবশিংনা করম্বা মখলগী ইকায়খুম্নবা উৎপীবা য়াবগে হায়বদু মফম ফংদুনা নুংঙাইনা হিংজবা ঙমহল্লি। ঐখোয়গীদি পুলিস কন্সটেবলদা কুমজা ২০০০দগী মতম শাংনা লৈরবা মতুংদা কুমজা ২০০৯দা ইশাগী এচিভমেন্টশিং পুথোক পুথোক্তুনা এপ্লিকেসন মশীং খঙদনা থারবা মতুংদা কোন্নথংদা হেদ কন্সটেবল হায়দুনা অমুক পীবিরকখি। করিগুম্বা মতমদদি ইতোমতা পূক্নিং নুংশিবা, ইকায়বসু ফাওরকই। তোয়না হায়মনবগী তম্ববসু পোক্লকই। অদুননি ঐহাক্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কৃপ্না খন্নবীরগা অথুবা মতমদা স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বীয়ু হায়বসি থমজরি।

অদুগা, ঐ ইশাগী ওইনা তক্ত-তক্তদুনা লাকচবদগী কুমজা ২০১৭কী জুলাই থাদা এ এস আই ফাওবদি পীবিরে। অদুবু অর্জুন এৱার্দ লৌজরকপা অসিগী য়েংবীরগা করিগুম্বা খরদি খন্নবীয়ু হায়দুনা অঙম অথৌ, মরী লৈনবা ওফিসল কয়াসু উনজখ্রে। মখোয় খুদিংমক্তা থাজবদি লোইনা পীবিরকখি। অদুম ওইনমক থবক ওইনদি পাঙথোকপীরক্তে।

অতে ষ্টেটতা তৌনরিবসিদি ষ্টেট কেবিনেটনা য়ারে, মরম চাই হায়রগদি খুদক্তা শৎ-শৎ লোইনা তৌনবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীসু মরী লৈনবা চে চাং লোইনা থাজিল্লকও হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন থাজিঞ্জখ্রে। উনজরুবা মিনিষ্টরশিংনা তাকপীরকপদসু নঙগীসিদি হেন্না পীফস্নু থোকপনি, শোয়দনা য়াগনি হায়বীরকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু চহী অনী হেল্লবা অসিফাওবা (অর্জুন এৱার্দ লৌজরকখিবা) হৌজিকসু কনামক্তনা করিসু হায়বীদনা লৈরি। অদুগা, ঐহাক্না ফুটবোলদা অর্জুন এৱার্দ লৌজরকখিবসিসু ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীদদি অনীশুবনি। ঐগী মমাঙদা শান্তি মালিক কৌবী সিনিয়র ফুটবোল্লর অমনা কুমজা ১৯৮৩দা লৌখিবগী মতুং চহী ৩৩ কান্নরগা কুমজা ২০১৭তা ঐনা লৌজরকপনি। তশেংনা টিম ইভেন্টতগী অর্জুন এৱার্দ ফংলকপা হায়বসিসু তরায় তরায়বা অমদি নত্তে। য়ামখ্রবা ফুটবোল্লরশিংগী মরক্তংগী অহেনবা এক্টিভিটিজ খরা লৈতনদি খক ফংবসু ওইথোক্তে। ইন্দিয়াগী ওইনদি খ্বাইদগী কুইনা চহী ২১ চুপ্না শান্নজরকপগীদমক লিজেন্দরি ফুটবোল্লর হায়না ফাওবা লাউথোকপীখ্রবনি। মণিপুরদদি ঐখোয়বু কয়া কন্না মশক খঙবীদবগুম তৌবসি নুংঙাইজদে। অর্জুন এৱার্দিশিংবু মশক খঙবীয়ু, মখোয়বু ইকায় খুম্নবীয়ু হায়জরি। - লোইরবা -

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**অর্জুন এৱার্দিশিংদা মীৎয়েং অমা**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙলটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙলটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫গী পাউখুম

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো? : EMIL ZETOPEK

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো? : 1954

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু। : N. MANICHOU SINGH

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙ লংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্বালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্কা খজায় শোক্লা থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।
: NIKOLOS GEORGRANTAS

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? :MITHALI RAJ

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০৫ গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি**

*১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং* (৩)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -১০৫ গী ৱিন্নর**

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০৫গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম নবেম্বর ০৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

# চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী রবিন্দর ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে



বুদাপেষ্ট, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী): হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংগী মখাদা পাঙথোক্লিবা চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রবিন্দর ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবগী খুদোংচাবা অমা লৈখ্রে।

মশগী চহী ২২দা ঙাইরিবা রবিন্দরনা সেমি ফাইনেলদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবা অর্মেনিয়াগী অর্সেন হরুত্যুনানবু য়াম্না নক্লবা স্কোর ৪-৩দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙৰাং পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৬১গী কাংলুপ অদুদা রবিন্দরনা মহাক্কী বাউটতা হঙ্গেরিগী রেষ্টলর মার্সেল বুদাই কোবাক্সপু পোইন্ট ১২-১দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা বাউটতা চৎলিবা কুমজা অসিগী রসিয়াগী নেসনল ফ্রি ষ্টাইল চেম্পিয়নসিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা দিনিস্লাম টাকটারোবপু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ১১-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রবিন্দর ইন্দিয়াগী হরিয়ানা ষ্টেটতগী হৌরকখিবা শান্নরোয় অমনি। কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকপা সাউথ এসিয়ন গেমসতা রবিন্দর গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মদুগী মাংওইননা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন কেদেদ রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

রবিন্দরগী করিয়রদা খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্কক অদু ঙসি অথেংবদা কিরগিস্তানগী রেষ্টলর উলুকবেগ জোলদোসবেকোবকা কিলোগ্রাম ৬১গী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংগী ফাইনেল লম্বা তৌদুনা গোল্ড মেদল ফঙবা ঙম্নবা হোৎনবা অদুনা ওইগদৌরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর গৌরব বলিয়াননা নুপাগী কিলোগ্রাম ৭৪গী কাংলুপ্তা রেপিচেস থাক ফাওবা য়ৌবা ঙমদুনা মেদল অমা শোইদনা ফঙগদৌরি। মহাক্না রেপিচেস রাউন্দ অদুদা য়ু এস এগী রেষ্টলর ব্রেদি গেরি বর্জেগা লম্বা তৌনরগনি।

চথরিবা চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী ইভেন্টশিং ঙসি অথেংবদা হৌরগনি। কিলোগ্রাম ৫০দা ইন্দিয়াগী জিওতিনা বেলারসকী য়াফ্রেমেনকাগা লম্বা তৌনরগনি। পুজা যাদবনা কিলোগ্রাম ৫৯গীদা কানাদাগী কেনেটকা থেংনগনি। কিলোগ্রাম ৫৫দা রানিনা য়ু এস কী পারিসকা অদুগা কিলোগ্রাম ৬৮গী কাংলুপ্তা সুমনগা চাইনাগী ৱাংগা লম্বা তৌনরগনি।

# ভিয়েটনামগা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেচ অনীদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা কন্না হোৎনদুনা অফবা রিজল্ট লৈনবা হোৎনরি



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী): নবেম্বর ৩ অমসুং ৬তা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ভিয়েটনামগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেচ অনীগীদমক শেম শাবা লোইদুনা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না ঙসি ভিয়েটনামগীদমক খোঙশান্দ্রিঙৈদা টিম অদুগী শান্নরোয়শিং অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা হদক পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন ৱুমেন্স চেম্পিয়সিপ্তা টাইটল ফংবা ঙমখি। স্পেনদা পাঙথোকখিবা কোটিফ কপ্তা ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। লোয়ননা এ এফ সি ওলিম্পিক ক্বালিফায়র রাউন্দ ২দসু ফজনা শান্নবা ঙমখি।

ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ ৬নিগী ওইবা কেম্প অমা পাঙথোক্লবা মতুং ঙসি ভিয়েটনামগীদমক খোঙশানখিবনি। টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা মেমোল রোকিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসি মখোয়দগী হেন্না থাক ৱাংবা ফুটবোল টিমশিংগা লম্বা তৌবা মথৌ তারে হায়খি।

পনবা য়াবদি, ভিয়েটনামগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসি হৌজিক হৌজিক ফিফাগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৩৪শুবা থাক্তা লৈরিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী টিম ৫৭ শুবা থাক্তা লৈরি।

ভিয়েটনামগা ফ্রেন্দলি মেচ ২ লম্বা তৌগদৌরিবা অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা অহানবা ওইনা থেংনগদৌরি। হায়রিবা মেচ ২ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা মখোয়না হান্না লৈরম্বা শান্নবগী থাক অদুদগী হেনগৎপা ঙমগনি হায়না কোচ রোকিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী তোঙান-তোঙানবা চহী কাংলুপকীদা লৈরিবা টিমশিং অদুবু মপান লৈবাকশিংগা ফ্রেন্দলি মেচ কয়া শান্নহন্দুনা মশান্নগী থাক অদু হেনগৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপনি। কোচ রোকিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা টিম অসিগী হৌজিক্কী ওইরিবা পান্দমদি কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন্স এসিয়ন কপ ক্বালিফায়রস শরুক য়াবা ঙম্নবা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগীদমক শেম শাবা অদুনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা অসালাতানা ফোঙদোকখিবদা মখোয়দগী হেন্না থাক ৱাংবা টিম অমা ওইরিবা ভিয়েটনামগা লম্বা তৌগদৌরিবা অসিদা শান্নরোয়শিং অদুনা কন্না হোৎনরিবা অদুগী মহৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা শুংশোই শোইদনা উবা ফঙলগনি হায়রি।

অতোপ্পা টিম অসিগী শান্নরোয় ওইরিবা স্বিতিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অসালাতাগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুবু য়াম্না পাঙ্গল লৈবা অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি।

টিম অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৯ য়াওরি। ষ্ট্রাইকরদা বালা, দয়া অমসুং দাংমৈ গ্রেস, মিদফিল্ডদা রতনবালা অমসুং রোজা, দিফেন্দরদা রঞ্জনা, লিন্থোইঙম্বী অমসুং অসালাতা অদুগা গোল কিপ্পরদা পান্থোই অমসুং এল লিন্থোইঙম্বীনি।

# ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা সিব থাপা অমসুং পুজা রাণি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

টোকিও, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী): কুমজা ২০২০দা জপাননা য়ুম্বু ওইদুন পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা মশান্না খরগী ওইনা টেষ্ট ইভেন্ট পাঙথোকপদা ইন্দিয়াগী সিব থাপা অমসুং পুজা রাণি বোক্সিংগী টেষ্ট ইভেন্টতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাংদা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জজ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপানা ঙসি টোকিওদা পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৬৩গী কাংলুপকী সেমীফাইনেল বাউটতা য়ুম্বু লৈবাক জপানগী বোক্সর দাইসুকে নারিমাটসুবু য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা মায়পাকপা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, সিব থাপানা এসিয়াগী বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারকখিবদা ব্রোঞ্জল মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রবনি। মদুদসু নত্তনা হন্দক্কী থা অসিগী হৌগৎলকরপদা পাঙথোক্কখিবা ইন্দিয়াগী নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজা রাণিনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী ব্রাজিলগী বোক্সর বিত্রিজ সোৱারেজবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংবা য়াই, পুজা রাণিনা চহী অসিগী হৌরকপদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

টোকিওদা চথরিবা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর নিখট জারিন কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলুপ্তা সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌখি। চাইনাগী ৱুহানদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক বোক্সিং ত্রায়লদা মেরি কোমবু থাগনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লেপখিবা ৱারেপ অদুদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ইন্দিয়াগী ওইবা ত্রায়ল অমা হান্না তৌবা পাম্মি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা নিখট জারিন মমাঙদা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবনি।

জারিনবু ঙসি কিলোগ্রাম ৫১গা কাংলুপ অদুগী সেমীফাইনেলদা জপানগী বোক্সর সানা কাৱানোগী মখুত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা মায়থীখিবনি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী ভালিমপুয়াসু সেমীফাইনেলদা জপানগী য়ুইটো মোরিৱাকিগী মখুত্তা মায়থীহৌখি। সিমরনজিৎ কোর, অসিস অমসুং সুমিৎ সঙৱান ঙসি অথেংবদা সেমীফাইনেল শান্নগনি।

pfrda

Atal Pension Yojana
A GOVT. OF INDIA'S GUARANTEED PENSION SCHEME

শুংশোয় শোয়দ্রবা কান্নবা অহুমগীদমক অটল পেন্সন যোজনা য়াওবীয়ু

চহী ৬০ য়ৌরবা মতমদা

1 য়ামদ্রবদা ফংগদৌরিবা থাগী পেন্সন (লুপা ১,০০০দগীনা লুপা ৫,০০০) সবস্ক্রাইবরশিং পুন্সি চুপ্পা

2 চপ মান্নবা শেনফম সবস্ক্রাইবরনা লৈখিদ্রবা মতুং লোয়নবী নৎত্রগা মপুরোয়বনা পুন্সি চুপ্পা পেন্সন ফংগনি

3 নোমিনিনা ফংগনি লুপা লাক্ষ ১.৭০ দগীনা লুপা লাক্ষ ৮.৫০* মপুরোয়বা নৎত্রগা লোয়নবী লৈখিদ্রবা মতুংদা

* - পেন্সনগী শেনফম উৎলিবা

এ পি ৱাই য়াওননবা, মশাগী চহী ১৮দগীনা ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইনা খ্বাইদগী নকপা বেঙ্ক ব্রাঞ্চ নৎত্রগা পোষ্ট ওফিসতা চৎপীয়ু, নৎত্রগা www.pfrda.org.in অমসুং www.npstrust.org.in চংদুনা সার্ভিস প্রোভাইদরশিংগী মফম খঙদোকপীয়ু।

অকুপ্পা মরোলগীদমক টোল ফ্রী নম্বর ১৮০০-১১০-০৬৯দা কোল তৌবীয়ু

davp 15113/13/0003/1920